# মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শগোল কাংজৈ শান্নজরিবা নুপী প্লেয়র ঐখোয়গীদমক অখন্নবা থৌরাং খরা তৌরকপা পামজৈ ঃ এল থাদোই



লাইশ্রম থাদোই চনু
(পোলো প্লেয়র)



(হান্নগী মখা...)

প্রেক্টিশ ফজনা তৌরবা, এক্সর্সাইজসু মতম চানা তৌহৌরগদি শান্নবদা খরা রনুংঙাই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু শান্না খোৎনবদা ঐবু ইনকরেজ তৌবিবা, স্পোর্টস মশক খঙবিবা ফেমিলি অমদা ওংজরুবসিমদি ঐহাক্কীদি লাইবক ফবনি খঙৈ। শগোল কাংজৈ শান্নবদা খুদোংচাবা ফংলবসু, ফঙদ্রবসু ঐনা শান্নজবদা য়ারিবসিমদি অদুক্কী মতিক নুংঙাইজে। মৌ অমা ওইনা ঐহাক্না করম্না শগোল কাংজৈ শান্নবা থোরকপগে হায়বসি ৰারী লীজবা তারবদা, অহানবদা তঙাইফদনা ঐহাক ইমুং মনুংগী থবক ইনখাংসু তৌরমদবা য়াবা নত্তে। ঐখোয় শান্নরোয়শিং অয়ূক ঙন্না লম্ফেলদা, মপান কাংজৈবুংদা পুনশি হায়রকপদা ঐদি অয়ূক মল্লিঙৈদগী হৌগৎলগা, য়ূমগী মৌ অমনা তৌগদবা থবক পূম্ন মক ঙন্তানা লোইশিল্লমগদোইনি। ইনেম-ইকুগী, ইপুরোইবগী, ইচাশিংগী, ইচননুপীগী ঐনা তৌবা য়াবশিং লোইশিল্লগা থল্লমগনি। অদুদগী মতম চানা ময়াম পূনবা নংনবা মপান কাংজৈবুং তানা থৌবাল লৈশাংথেমদগী গাড়ী মচা থৌরক্কদোইনি। টিম পূন্দুনা প্রেক্টিশ তৌবা মতমদা থৌবাল হঙ্গৎ হন্দাসি নুমিৎ খুদিংগী থৌরগা লাকই। পূম্ন মকসি নংনবা হোৎনবদা খরদি ৰাই। অদুবু ঙম্নবা হোৎনরগদি লোইনমক ঙম্মী হায়বসি ইশানা প্রেক্টিকেল ওইনা তৌরবনিনা খঙই।

টুর্নামেন্ট মতমদা প্লে থেংবদা য়ূমদা হনবদা পুং ৭.৩০ গা তাবা য়াওই। শান্নরুরগা হল্লকপা মতমদা তঙাইফদনা চাক্কা থোঙবদু করিমত্তা অৰাবা ফাওদে। মরমদি ঐনা শান্ননীংবদু মৌ ওইরবসু শান্নহনবীবনিনা হল্লক্লগা থবক ইনখাং তৌবদু অতনবা অমত্তা পোক্তে। মদুসু শৎ-শৎ তৌদুনা নুংঙাইনা অদুম থোঙদোকই। করিগুম্বদা ইচননুপীনা থোঙবিরম্বসু য়াওই। ঙসাই শান্নরুবদুগী ৰাখলদা ৰিন্নর ওইরগনা থোইনা খল্লুদ্রে। চেম্পিয়ন ওইবা য়াবদা অশোয়বা খরনা মরম ওইরগা রন্নর্স-অপকা তাহৌবসিদি হঞ্জিন হঞ্জিন খন দুনা লৈদোইনি। শান্নরোয় অমা ওইজরুবগী য়াম্না নুংঙাইজবসিনা পূক্লিং ৰাখলদি হান্নগুম্না অদুম য়াম্না ফ্রি ওইনা হিংজবা ঙম্মী।

অদুগা শগোল য়োকখৎনবা পোলোসি ফীভম খরা ফগৎলক্লবা ঐগী


## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## নুপী শগোল কাংজৈরোয়দা মিৎয়েং অমা

ওইনা পীজনীংবা ৰাখল্লোন খরদি মতম অমা ঐখোয়না শান্নবা হৌজরকপা মতম অদুৰাইদা 'পোনি শো' সি য়াম্না পাঙথোক্লরম্মী। প্রাইজ চাউনা চাউনা থমদুনা তৌবা কম্পিটিসন অদুদা মায়কৈ পূম্নমক্তগী শগোল য়াম্না পুখৎনরকই। মদুদগী ফজবা শগোল খল্লগা মনা-মথুম পীদুনা মীয়াম খঙনা পূক্লিং থৌগৎপীরম্মী। মদুগুম্বা 'পোনী শো' দু ঐদি চহী খুদিংগী তৌহঞ্জনীংই। ককচীং খুন্নৌরোমদা তৌখিবা পোনি শো অমদা ঐখোয় শগোলনা থার্দ তাখিবা অমসু য়াওখি। মদুগী ফবনা শগোল ফজনা য়োক-থাক্লিংবগী ৰাখল অমা ফাওহল্লি। প্রাইজ মতিক চানা থল্লগা কম্পিটিসন লেপ্তুনা তৌরগদি ফজ-ফজবা শগোলসু শোয়দনা পুথোক্ল রক্কনি খল্লি। পোলোসি ইশানা য়াম্না পাম্না শান্নরকপা মশান্ননিনা মুৎহনবদি শুকপাম পামদে। গেমসি য়াম্না নুংশিজৈ। কান্নবা অমত্তা ফংদ্রবসু মৌ ওইরফাওবদা লেপ্তুনা শান্নরিবা অসিনা শগোল কাংজৈ কয়াম পামজবগে হায়বদু তাক্লবনি। ঐনা কোয়চেনগা চেন্দুনা হৌজিক ফাওবা থৰায় য়াওবসি উবদা ঐগী ইপুরোইবনদি করিগুম্বদা হায়রকপা য়াওই - নখোয়না শগোল শান্নরিবদুবু করিবু তৌদোইনোদা? গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা অমত্তা তৌবীরকপসু নত্তবদা। নখোঙ নখূৎ তেক্লগা নরন্নাই তারোইদ্রো। এসোসিএশন্নসু নখোয়গী কয়াম য়েংবীদোইবা। পোলো শান্নবী নুপী অমত্তা থবক ফংই হায়বসু তাদে। অদুমাইনা ঙাওলকপা মতমদদি ইথন্তা ইকায়বসু ফাওই। করি খুমগদবনো খুমফমসু খঙদে। অদুনা নুপী পোলো শান্নরোয় ঐখোয়গীসু থবক ইনখাং পীবিনবা থৌরাং খরদি তৌহঞ্জনীংই। হৌজিক হৌজিক শান্নজরিবা ঐখোয় খরসি থৌনা হাপ্পীদুনা য়োকখৎপীদ্রগদি নুপীগী শগোল কাংজৈসি তপ্পা তপ্পা শিথরক্কনি হায়জনীংই।

শগোল কাংজৈ শান্নজরকপগী নুংঙাইজবা অমনা হৌজিক্তি ফোরেন টিমগা কৌথোক্তুনা মখোয়গা শান্নমিন্নবা ফংজবসিনি। নুপী পোলো অসি মরক্তা থওইদবা খরা লৈখিবদগী পুরা মুৎলুরবনি। অদুবু হোর্স রাইদিংগী ওজাশিংনা কন্না হোৎনবীদুনা অমুক নৌনা হিঙ্গৎলকপনি। চাং নাইনা টুর্নামেন্টকা তৌরকপদগী নুপীগী শগোল কাংজৈ অসি মীয়াম্না অমুক উবা ফংলকপনি। নৌনা শেমগৎপীরক্লমদ্রগদি নুপীগী পোলো অসি পুংমুৎ মুৎলম্লগদবনি। পোলোগীদমক লৈবিরিবা এসোসিএসন অনীনা টুর্নামেন্ট খরা পাঙথোকপা অসিনা ঙসি ফাওবা নুপী পোলো হিংবা ঙম্বনি। মখা তানা গেম অসি মুৎখিদনবা, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শান্নরোয় ঐখোয়গীদমক অখন্নবা থবক খরদি পায়খৎপীরকউ হায়জরি। - লোইরবা-

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৪৪

1. শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোয় অমা বংলাদেশকা কলম্বোদা কুমজা ২০০২ দা টেষ্ট শান্নবদা রন ২০৬ লৌরবসু সেরিজ অদুগী মথংগী টেষ্টতা য়াওহনখিদে। মহাক্কী মমিং হায়ু।
2. করম্বা ইংলিস ফুটবোল কপকী জর্সিদা নোংমৈ তোপ (Canon) য়েকপগে?
3. The king commission ক্রিকেট শান্নরোয় কনাগী মথক্তা থিজিন্ননবা শেমখিবা কম্মিসন্নো?
4. নিলেশ ৰাহেংবম ট্রোফি করি মশান্নদা পীবা ট্রোফিনো?
5. মহাক মিটর ৮০ গী হর্দলস, তা লংবা অমসুং হায়জম্পতা মালেমগী রেকোর্দ মতম অমত্তদা থমখি অমদি গোল্ফ শান্নবদা মতম অদুগী খ্বাইদগী হৈবী শান্নরোয়নি। মহাক কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# আই সী সী টেষ্ট রেঙ্কিং ঃ রবিন্দ্র জাদেজা, রবিচন্দ্রন অশ্বিননা খ্বাইদগী ফবা বোলর ওইরে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৮ :

টেষ্ট বোলরশিংগী মরক্তগী খনগৎপা আই সী সীগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা বোলরশিংগী মরক্তা ইন্দিয়াগী রবিচন্দ্রন অশ্বিন অমসুং রবিন্দ্র জাদেজানা মকোক্তা লৈরে।

ৰাফম অসি বেঙ্গালুরুদা ইন্দিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীরকশুবা টেষ্ট মেচ শান্নরবা মতুংদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সল (আই সী সী) না লাউথোরকখিবনি।

বেঙ্গালুরুগী চিনাশ্বামি ষ্টেদিয়মদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ৰিকেট তরেৎ লৌখিবা জাদেজানা রেঙ্ক অমা হাইগৎলকপগা লোয়ননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি। মহাক্না আই সী সী রেঙ্কিংদা মকোক ইথং থংনা লৈবা হন্দক্না অহানবনি। মমাঙদসু বোলর অনীনা খ্বাইদগী ফবা বোলর মীংথোল ফংমিন্নখি। কুমজা ২০০৮ গী এপ্রিলদা দেল ষ্টেন অমসুং মুটায়া মুরালিদরন্না আই সী সী রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা পূন্না লৈমিন্নখিবনি।

ৰিকেট নিপান লৌখিবা অশ্বিননা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা চথুরিবা সেরিজ অসিদা ১-১ দা চপ মান্ননা লৈহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অশ্বিননা ৰিকেট নিপান লৌখিবদুনা মরম ওইরগা মতম অমগী মমিং লৈরবা স্পিনর বিসন বেদিগী ৰিকেট ২৬৬ তগী হেন্দুনা টেষ্ট মেচতা মঙাশুবা ৰিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা বোলর ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনসু মেচ অদু নাথন নিওন্না ৰিকেট ৮ লৌখি। মদুনা মরম ওইরগা আই সী সীগী রেঙ্কিংদা মফম অনী হাইগৎলক্তুনা ১৬ শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী লেফ্ট আর্ম স্পিনর ষ্টিব ও'কিফ অমসুং ইন্দিয়াগী পেস বোলর উমেস যাদবনা মফম অমমম হাইগৎলক্তুনা মথংশিংনা ২৮ শুবা অমসুং ২৯ শুবা পোজিসন পায়বা ঙমখি।

বেট্টিংগী ওইনদি ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন ষ্টিব স্মিথনা হৌজিকসু খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লৈরি। টেষ্ট মেচ ৭৭ শান্নখিবা স্মিথনা মকোক ইথং থংনা লৈখিবগা লোয়ননা মেচ ৭৬ শান্নখিবা রিকি পোন্টিংদগী মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্তেন বিরাট কোহলিনা মেচ অদুদা শুপ্পগী রন ২৭ লৌদুনা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরি। ইংলেন্দগী জোরুটনা কোহলিদগী পোইন্ট অমা হেন্দুনা অপূনবা পোইন্ট ৮৪৮ ফংবগা লোয়ননা মকোক ইথং থংনা লৈরি।

# ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ্তা সিন্ধু অমসুং সাইনাবু টাইটলগীদমক মায়োক্নবা ঙমগদবা মালেমগী শান্নরোয় ৫ লাউথোকখ্রে



চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িং



চাইনাগী সুন য়ু



সাউথ কোরিয়াগী সুং জি য়ুন



থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্তানোন



কারোলিনা মারিন

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৮ :

মালেমগী মমিং লৈরবা বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী মনুংদা অমা ওইরিবা ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌগনি হায়না অচেৎপা থাজবা থল্লিবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালবু লম্বা তৌবা ঙমগদবা মালেমগী মমিং লৈরবী শান্নরোয় মঙা লাউথোকখ্রে।

চথুরিবা ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসিদা সাইনা নেহৱাল, পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বী শ্রীকান্ট চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটলগীদমক য়াম্না খৌরাংনা ঙাইরিবা শান্নরোয়নি। মালেমগী ৮ শুবা সীদেদ সাইনা নেহৱালনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৱর্ল্ড নম্বর এলেভেন অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা জপানগী নোজোমি ওকুহরাগা অহানবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

সাইনা নেহৱাল মতম শাংনা খুউ শোকপদগী পোথাদুনা লৈরকখিবনি। ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসিদা সাইনা নেহৱাল হান্নদগী হেন্না পার্ফোমেন্স ফরক্কনি লোয়ননা টাইটল লৌরকপা য়াবগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱাল কুমজা ২০১৫ গী চেম্পিয়নশিপ্তসু রন্নর্স-অপ তাখিবনি। ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসিদগী হেন্না অফবা টুর্নামেন্ট লৈরবসু হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদি য়াম্না লেমজনীংঙাই ওইবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়রি।

ইন্দিয়ন বেদমিন্টনগী ওইনা থৌৰাইমিচাক্কুম্না ঙান্দুনা লৈরিবী সাইনাগা লোয়ননা ২০১৬ ওলেম্পিক্কী শিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা ইন্দিয়াগী আশা পূম্বা পুদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবনি।

সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী সর্জরি লোইরবা মতুং মালেসিয়ন মাষ্টর গ্রান্দ প্রীদা গোল্ড মেদল লৌখি। মসিনা তাকপদি সর্জরি মতুংদসু মহাক্কী পার্ফোমেন্স হন্থদ্রি হায়বনি।

তরুকশুবা সীদেদ পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী মায় পাকপগী কেম্পেইন মখা তানা চথবগা লোয়ননা বার ক্লে কার্দ এরেনাদা দেনিস মেটি পোলসেনগা থেংনগনি। পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক য়াম্না নিংথিজনা শেম শাবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মায় শোয়দনা পুরক্কনি। অদুম ওইনমক মখোয় অনীনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা রাউন্দগী মাঙওইননা চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটল লৌননবগীদমক সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধুগা মায়োক্ননবগীদমক থোরক্লিবা মালেমগী শান্নরোয় মঙা অদুদি চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িং, সাউথ কোরিয়াগী সুং জি য়ুন, চাইনাগী সুন য়ু, থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্তানোন অমদি কারোলিনা মারিননি।

টাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংনা ইন্দিয়াগী সাইনা অমসুং পি ভি সিন্ধুবু লম্বা তৌবদা খ্বাইদগী মতিক চারবা শান্নরোয় অমা ওইরি। মশাগী চহী ২২ শুরবী টাই জু য়িং হৌজিক য়াম্না ফজবা ফোর্মদা লৈদুনা ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালগা চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক মায়োক্নগনি খনবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোক্লি। স্পেনগী কারোলিনা মারিন মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমনি। মহাকপু লম্বা তৌগদবা শান্নরোয় অসি মালেমদা তাঙই হায়নসু ফোঙদোক্লি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবী কারোলিনা মারিন রিও ওলেম্পিক্সতা টাইটল লৌরবা মতুং শোকপদগী মতম খরা পোত্থাদুনা লৈরকখিবনি। জর্মন ওপন্দসু মহাক টাইটল লৌনবগী পুংজা খরখক্তং ঙাইরবা মতমদা শোকপনা মরম ওইদুনা শান্নবা ঙম্লক্তবদগী ফাইনেল অদু ৰিথদ্রো তৌখি।

ইন্দিয়াদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতসু সাইনা অমসুং পি ভি সিন্ধুগা কারোলিনা মারিনসু মখোয়গা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি।

সাউথ কোরিয়াগী সুং জি য়ুন ২০১৭ ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌগনি হায়না ফোঙদোক্লি। মালেমগী ওইনা অহুমশুবা মফমদা লৈরিবী সুন জি য়ুন মশাগী চহী ২৫ শুরে। দুবাই সুপর সেরিজ ফাইনেলদা মহাক রন্নর্স-অপ তাখি। কোরিয়া মাষ্টর ন্যুজিলেন্দ ওপন অমদি সয়িদ মোদি ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা টাইটল লৌখি। অদুম ওইনমক মহাক ইন্দিয়াগী সাইনা অমসুং পি ভি সিন্ধুগা মায়োক্নদুনা শান্নবগী রেকোর্দ থোইদোক্না লৈত্রি।

চাইনাগী সুন য়ু মরিশুবা সীদেদ ওইদুনা ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌননবা কন্না হোৎনরি। অমরোমদা থাইলেন্দগী রচানোক ইন্তানোন ইন্দিয়ন ওপন, সিঙ্গাপুর ওপন, মালেসিয়া ওপন অমসুং থাইলেন্দ মাষ্টরনচিংবা মমিং লৈরবা চেম্পিয়নশিপ কয়াগী টাইটল লৌখ্রে।

# জুনিয়র বোল্লিবোল শান্নরোয়শিং রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) : চহীসিগী এপ্রিল ১৯ দগী ২৫ ফাওবা কেরলাদা পাঙথোক্কদবা নুপা অমসুং নুপীগী ৪৩ শুবা জুনিয়র নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক প্রোভিজনেল ওইনা খনখ্রবা শান্নরোয় ৪০ থা অসিগী ৯ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা বোল্লিবোল কোর্টতা মখা তাবা ট্রাইএল কম কোচিংগীদমক রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এন জি ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মখা তাবা ট্রাইএল কম কোচিংগীদমক রিপোর্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি এ সী টি এলদগী ৰাই বুধচন্দ্র, এল সোমোরজিৎ অমসুং নাওতোন, আই জি ও ওইনামদগী ও জেফ্রি, রাজেস, দেবেন্দ্র, এল সুনিল অমসুং রবিন্দ্রনি। টি আর ৰাই ভি এ টিম এদগী গাংমৈ গাইথুইশুং, ময়োন, টি আর ৰাই ভি এ টিম এদগী আর অচৌ, হাওরাপুই, সোময়া অমসুং চিঙ্গানিনি। ঐচ ৰাই দি সী সী এল হৈক্রুজমদগী ৰাই সাজন, কে বেদা, এন বেনর্জি, এন রমানন্দা, এন ধনবির অমসুং ঐচ সমানন্দনি। কে এল ৰাই এদগী জয়চন্দ্র, মালেমঙানবা, এম দেতান্তা, ৰাই ভি এদগী এ সরত অমসুং এন সুসিল, বাখে ভি সীদগী গাইচাংপু, রোবিনসন, কর্নজিৎ, ইন্দ্রজিৎ অমসুং কে ঐচ জোতিননি। এন ৰাই ভি এদগী হরিমোহন অমসুং ও পি এস খুমননি। এস দি সীদগী ঐচ রাজু, নরেস, এল সোমোরজিৎ, এল এস এদগী নুরুল অমসুং এন ৰাই দি সীদগী রিসিকান্তনি।







